# ধাকাগী রেস্টোরেন্টদা হোস্টেজ ২০ হাৎখিবা ইস্লামিক টেররিষ্টশিং বাংলাদেশকী কম্মান্দোশিংনা হাৎখ্রে

ধাকা, জুলাই ০২ ঃ
বাংলাদেশকী কেপিটেল ধাকাগী অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৈবা দিপ্লোমেটিক জোনগী মনুং চন্না লৈবা রেস্টোরেন্ট অমদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়ন ১ য়াওনা অয়াম্বনা মীরৈবাক মচাশিং ওইবা মীওই ২০ হাৎখ্রে। এলিট কম্মান্দোশিং য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বিল্ডিং অদুদা থোমজিন্দুনা মিলিটেন্ট ৬ কাপ্পুনা হাৎতোক্লগা পুং ১০গী হোস্টেজ ক্রাইসিসতু লোইশিনখ্রে।

বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙসি অয়ুক হোস্টেজ ১৩ কন্দুনা অমসুং ইস্লামিষ্ট গনমেন ৬ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলগা লোইশিনখিবা মীশিং হাৎপা অমদি শাংনা ফাজিন্দুনা থম্বা য়াওখিবা টেরর এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখ্রে।

ধাকাগী শেঞ্জাও পায়বশিং অমসুং মীরৈবাক মচাশিং লৈবা দিপ্লোমেটিক জোনসু ওইবা গুলশন দিষ্ট্রিক্তা লৈবা রেস্টোরেন্ট, হোলি আর্টিজন বেক্করিদা এলিট কম্মান্দোশিং য়াওনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থোমজিন্দুনা কিনিংঙাই ওইরবা ফীভমদু লাকশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা ইস্লামিষ্ট টেররিষ্টশিংদুনা মীরৈবাক মচা হোস্টেজ ২০ য়োৎ-থাঙনচিংবা শীজিন্নদুনা হাৎখি। ভিক্টিম অয়াম্বা ইটালি অমসুং জপানদগীনি হায়রি।

পুলিস অমসুং মিলিটরিনা ঙসি অয়ুক ৭.৪০ দগী ৮.৩০ ফাওবা ওপরেসন থন্দরবোল্ট পাঙথোক্তুনা শাথীরবা ক্রাইসিস অদুবু লাকশিল্লবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংদুনা মীওই ২০ মচীন-ময়া থৌবা য়োৎ-থাঙনচিংবা শীজিন্নদুনা মীহাৎ থীনা হাৎখি হায়বা খঙলকখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা বাংলাদেশ আর্মি হেদক্কার্টরসতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা বৃগেদিয়র জেনরেল নায়ীন অশতক চৌধুরিনা শিখিবশিংগী মশীং কনফর্ম তৌখিবনি।

বাংলাদেশ মচা ১০ হেনবরোমগা লোয়নননা শ্রীলঙ্কান মচা অনী অমসুং জপানিজ হোস্টেজ অমা কনখি। তোঙান-তোঙানবা ছোর্স অনী-রেস্ক্যু ৱার্কর অমা অমসুং পেরামিলিটরি ওফিসর অমনা টেলিগ্রাফ পাউচেদা ফোঙদোকখি মদুদি ভিক্টিমশিং অদু মখোয়গী মঙকশমশিং অমসুং মখৌরীশিংদা ফীভম থীনা শোকপগী মমিশিং তাই।

মীরৈবাক মচাশিংনা পাম্না চঙনবা রেস্টোরেন্টদুদা চত্থখিবা রেইদ অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইস্লামিষ্ট টেররিষ্টশিংদুগী মনুংদা তরুক কাপ্পুনা হাৎখি। গনমেন অনী নৎত্রগা অহুমদি ফারে হায়না থাজনৈ। পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী পিষ্টোল রাইফল, বোম অমসুং থাঙ কয়া লৌখৎখি।

বাংলাদেশকী শেঞ্জাও পায়বশিংগী লেংথৈনফম ওইবা লু-নাল্লবা দিষ্ট্রিক্ট গুলশনদা লৈবা মীয়াম্মা মরু ওইনা ফোরেন্নরশিংনা পাম্না চঙনবা হোলি আর্টিসান বেক্করিদা গনমেন নিপান নৎত্রগা মাপননা থোমজিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পুনা পুলিসমেন অনী হাৎপগা লোয়নননা মীওই কয়া ফাজিন্দুনা থমখিবগী ফীভম অদু ঙরাং (ইরাই) নুমিদাং পুং ৯ খরা হেনবদগী হৌখিবনি। খুৎলাই পায়বা টেররিষ্টশিং অদুগা পাউফাওনদুনা পুং কয়া য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা মায় পাক্লক্তবদগী পুলিসনা মমৈথংদা সিজ অদু ঙসি অয়ুক মীশি মীনা খরা থোক্লবসু থোক্লা লোইশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

এম্বেসি অমসুং ইন্টরনেসনল স্কুল কয়ামুক লৈবা রেস্টোরেন্টগী অকোয়বা মফমশিংদগী মীশিং হোন্দোকপদা থেংথবনা মরম ওইদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা রেইদ চথনবগী থৌরাং থেংথবা তাখি।

মমৈথংদা অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা মিলিটরি অমসুং পুলিসনা স্নাইপরশিং, আর্মদ কারশিং অমসুং স্বাট টিমশিং শীজিন্নদুনা রেস্টোরেন্ট অদুদা থোমজিনখি।

রেইদ অদুদা শরুক য়াখিবা পুলিস ওফিসর অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে। করম্বা মতমদা ফোরেন হোস্টেজশিংদু হাৎখিবগে হায়বা শেংনা খঙখিদে, তৌইগুম্বসুং মখোয়শিংদু তাংদাংবা অমা ওইনা টার্গেট তৌবগী মওংদি মান্দে হায়রি। আর্মি ওফিসলশিংনা হায়খি, ভিক্টিমশিং অদু রেইদ চথদ্রিঙৈগী মমাং অয়ুক অঙনবদা হাৎখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হশিনানা টেররিষ্টশিংগী এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা মখোয়গী মনুংদগী অমা ফারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

“অপূনবা ফোর্সনা কন্না হোৎনবদগী টেররিষ্টশিং অদু চেন্থোকপা ঙমখিদবনি” হায়না হশিনানা লৈবাক শিন্নুংনা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা হায়খি। মহাক্না লৈবাক অদুদা মিলিটেন্টশিংগী এটেকশিং থেংনখিগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি অমসুং মীয়ামদা থৌনা ফনা থোক্লক্লবা আপিল তৌখি।

“লাইনিং-লাইশোলগী লম্বী অমদা থাজবা মীওই অমত্তনা অসিগুম্বা থবক তৌরোই” হায়না প্রাইম মিনিষ্টর হশিনানা হায়খি। “মখোয়গী লাইনিং লাইশোন অমত্তা লৈতে, মখোয়দি শুপ্নগী টেররিজম নীংই।”

ওনলাইনদা জিহাদিশিংগী এক্টিভিটিবু মোনিটর তৌবা এস আই টি ঈ ইন্টলিজেন্স গ্রুপকী মতুং ইন্না, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা এটেক অদুবু ক্লেম তৌখ্রে। এটেক অদুবু উহৌবা সুমোন রেজা কৌবা রেষ্টোরেন্ট অদুগী ইমপ্লোয়ী অমনা বাংলাদেশি মিদিয়াদা হায়খি, এটেক্করশিং অদুনা মী কয়া ফাজিন্দুনা থমখি অমসুং “অলাহু অকবর” হায়না লাউরবা মতুংদা বোম কয়া পোকখায়হনখি।

“মখোয়না লোকেল মেদ বোম কয়া পোকখায়হন্দুনা মীপুম খুদিংমকপু মীপাইহনখি। চমন্নবা মথোং মরম খঙদবা ফীভমদুদা ঐহাক নান্থোকখি” হায়না মহাক্না দেলি ষ্টার ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি। “মখোয় পিষ্টোল, থাঙ অমসুং বোম কয়াগা লোয়নননা লাকখি।”

চৈরকসিদা, টেরর এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন নেসনল অমা য়াওই হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক টারিশি জেন কৌবী চহী ১৯গী নুপীমচা অমনি হায়রি।



## চাইনাদা নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই ১৯ শিখ্রে

বৈজিং, জুলাই ০২ ঃ
চাইনাদা নোং কন্না চুবদগী অমসুং লেন্দস্লাইদশিং থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিখ্রে অমসুং ১২ না থিবা খঙদ্রি হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাইদা সাউথ ৱেষ্ট চাইনাগী গুইজৌদা লৈবা ভিলেজ অমদা অচৌবা লেন্দস্লাইদ অমনা য়ুম-কৈ কয়া ফুমজিনখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং মীওই ১০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরে হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবদা বিজি সীটিগী দফাং কাউন্টিগী মনুং চনবা পিয়ানপো ভিলেজদা নোং কন্না চুবদগী মদ-স্লাইদ থোক্তুনা পূন্না মীওই ৩০ লৈখোম-লৈনাং অমসুং লৈবাক্লা কুপশিনখি।

মীওই তরেৎ লৈবাক লৈনাং মরক্তগী শৎতোকখি, থৌদোক থোকফমদা মীওই ১১ শিরে হায়না লাউথোকখ্রে হায়না কাউন্টি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি।

মফম খঙখিদ্রবা মীওই ১২ ফংনবা হোৎনরদুনা লান্মী অমসুং রেস্ক্যু ৱার্কর ৮০০ হেনবনা এক্সকেভেটরশিং শীজিন্নদুনা থিবা হুম্বগী থবক তৌখি।

লেন্দস্লাইদ অদুদা লৈবাক লৈনাং ক্যুবিক মিটর ৯৫,০০০ হেন্না ঈচেল শেমদুনা চেনখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা সেন্ট্রেল চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী কেপিটেল ৱুহান সীটিদা নোং কন্না চুবদগী ঙসি ৱাল অমা নিংখায়রক্তুনা মীওই নিপান শিখ্রে। এক্সিদেন্ট অদু জিয়াংসিয়া দিষ্ট্রিক্তা কম্পেনি অমগী ৱালগী মিটর ১৫ গী শরুক অমা কিন্থরকপদগী থোকখিবনি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মিটর অনী হেন্না ৱাংবা ৱালদুগী মনাক্তা চঙশিল্লুবা মীওই নিপান অকায়-অতোয়না ননশিনখি অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা চিংথোকপা মতমদা মীওইশিং অদু শিরমখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি।

হৌখিবা জুন ২৭ তগী সাউথ চাইনাগী মফম কয়া নোং অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকহনখি লোয়নননা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ শিখ্রে নৎত্রগা থিবা খঙখিদ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এফেয়র্সনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা য়াংজে তুরেলনা চহী অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ঈচাউ থোকহনখি। য়াংজেগী মশা অমা ওইরিবা কিলোমিটর ১৭০ শাংবা জুগুই তুরেলদু নোং কন্না চুবদগী ঈমায় চোল্লকখি। ঈমায় পাথোক্লবা তুরেলশিংগী ঈশিংনা থোকহনবা ঈচাওনা মীওই ২২,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে হায়না হুবৈ প্রোভিন্সিয়ল দিজাষ্টর রিলিফ হেদ ক্কার্টরসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকশীনবগী ওইনা হুবৈ, জিয়াংসু অমসুং জেজিয়া প্রোভিন্সশিং য়াওনা প্রোভিন্সকী থাক্তা লৈবা লমদম ১১ গী কাউন্টি ১৩৩ দা ঈচাও, লেন্দস্লাইদ অমসুং মদস্লাইদশিং থোক্লে হায়রি।

## মালেসিয়া, চাইনা, ওষ্ট্রেলিয়ানা প্লেন থিবগী মথংগী খোঙথাং খন্নগদৌরি

কুলা লম্পুর, কানবেরা, জুলাই ০২ ঃ
চহী অনীগী মমাংদা থিবা খঙখিদ্রবা এয়রক্রাফট ফংনবা হোৎনরদুনা হৌজিক ঈশিং ঈরোন্নুংদা থিবগী ওপরেসন অমা সাউদর্ন ইন্দিয়ান ওসীনগী স্কৱার কিলোমিটর ১২০,০০০ পাক চাওবা ঈশিংগী শরুকশিংদা চথরি।

মাঙখিবা মালেসিয়া এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ থিবদুদা তুংদা করি করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা মালেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনাগী গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টরশিংনা জুলাই ১৯ দা কুলা লম্পুরদা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মালেসিয়ন ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী বর্নামানা ঙরাং ফোঙদোকখি।

পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু ২৩৯ তোংবা ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ অদু হৌখিবা ২০১৪গী মার্চ ৮ দা মালেসিয়াগী কেপিটেল কুলা লম্পুরদগী বৈজিং তম্না পাইখিবগী লমখাংদা মাঙখিবনি। ফ্লাপেরন হায়না খঙনবা মাশাগী শরুক অমা ২০১৫গী জুলাইদা ফ্রেঞ্চ ঈথৎ রিয়ুনিয়নদা ঈশিংগী ঈপোমনা চেনখৎলকপদগী থেংনখি।

বর্নামাগী মতুংইন্না, ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর লিও টিওং লাইনা হায়খি, মীটিং অদুদা প্লেনদুগী লেমহৌরিবা শরুকশিং লৈরম্বা য়াবা মফমশিং খঙদোকপগী থবক মপুং হেক ফাবগা করি তৌগদগে হায়বদু খন্নগনি।

“ঐখোয়না (ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা অমসুং মালেসিয়া) ছার্চ ওপরেসনদু লোইশিনখিরোই। ঐখোয়না স্কৱার কিলোমিটর ১২০,০০০ পাক চাওবা মফমশিংদু থুংনা থিগনি। হৌজিক ফাওবদা স্কৱার কিলোমিটর ১০৭,০০০ পাক চাওবা ঈশিংগী মফমশিং থিবা লোইরে।

“ঐখোয়না করি করি মখা তানা পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা লাউথোক্লগনি” হায়না লিওগী ৱারোল পল্লদুনা বর্নামানা হায়খি।

হান্ন জুন থাদা লোইশিনগনি হায়না লেপখিবা থিবগী থবক্তু নোং চিংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা লেপখি অমসুং মদু লাক্লিবা ওক্টোবরদা অমুক মখা চত্থগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রান্সপোর্ট সেফটি ব্যুরোনা ফোঙদোকখিবা অমদা, লৈবাক অহুমনা থিবগী থবক্তু স্কৱার কিলোমিটর ১২০,০০০ দগী হেন্দোক্তনবা লেপ্লে হায়খিবনি।

মাঙখিবা মালেসিয়ন প্লেন থিবগী থবক্তু প্লেনদু মাঙখিবা নুমিৎতগী হৌখি। মালেসিয়াগী এয়রলাইন্স ফ্লাইট ৩৭০ অমসুং সেটেলাইট টেলিকম্যুনিকেসন নেটৱার্ককী মরক্তা লৈখিবা কম্যুনিকেসনশিংগী এনালাইসিসতা ফ্লাইট অদু সাউদর্ন ইন্দিয়ন ওসীনদা লোইশিনখি হায়না লেপখি।

## অনৌবা টালিবান লীদরনা য়ু এসতা অফঘানিষ্টানবু ‘পায়শিনবা’ তোক্লবা হায়খ্রে

কাবুল/ৱাশিংটন, জুলাই ০২ ঃ
হৌখিবা মে থাদা টালিবানগী মকোক ওইনা খনখিবা মতুং ইহান হান্না পীবা মহাক্কী পাউজেলদা গ্রুপ অদুগী লীদর হাইবাটুলাহ অখুন্দজাদানা ঙসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অফঘানিষ্টান ‘পায়শিনবা’ লেপ্পনবা আপিল তৌখ্রে।

“কান্নদবদা ফোর্স অমসুং মসল শীজিন্নবগী মহুৎতা লৈরিবা অশেংবা ফীভমশিং খঙলগা য়াজৌ অমসুং লৈবাক পায়শিনবগী থবক লেপ্পু” হায়না মুস্লিমশিংগী চাকহেন থা রেম্মদন লোইশিনবগী ইদ-উল-ফিটর কুম্মৈগা মরী লৈননা পীবা স্পীচ অমদা অখুন্দজাদানা হায়খি।

“অমেরিকান ইনভেদরশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংদা ঐখোয়না পীরিবা পাউজেলদি অসিনি, অফঘান মুস্লিম মীয়াম্না নখোয়গী ফোর্সসু কীবা লৈতে। মখোয়না নখোয়গা থেংনবদা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় কখোকপা হায়বসি মখোয়গী পূন্সিগী লুনা খঞ্জবা পন্থুংনি হায়না খঞ্জে,” হায়না অখুন্দজাদানা মখা তাখি।

“নখোয়না গ্রুপ অমা নৎত্রগা ফেক্সন অমা মায়োক্লবা নত্তে তৌইগুম্বসুং নখোয়না লৈবাক অপুম্বা মায়োক্লরি। (অলানা য়াবিরবদি) নখোয়না মায় পাকপা ঙম্লোই।” মদু মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা টালিবানগী লুচিংবা অখতার মনসৌরবু হৌখিবা মেদা য়ুম্লোন্নবা পাকিষ্টানদা য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা হাৎখিবদগী অখুন্দজাদানা পীবা অহানবা পাউজেলনি। লুচিংবা অদুগী ৱারোল অদু কাবুল সীটিগী মচি অমদা টালিবাননা চত্থখিবা বোম্মিং এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা অফঘান পুলিসমেন ৩২ হাৎখিবা অমসুং অতৈ ৭৮ না শোকহনখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ফোঙদোরক্লিবনি।

“ঐখোয়গী লৈবাক্তা লান্দারক্লিব-শিংবু শৌগৎলিবশিংদা ঐখোয়না পাউজেল অসি পীনিংই মদুদি, অমেরিকানশিংনা মখোয়গী পান্দম ফংননবা নখোয়বু শীজিন্নে হায়বসি হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসিদা নখোয়না খঙলক্লম্বা য়াই। নখোয়না ইনভেদরশিংবু শৌগৎপা অমসুং মখোয়গা মীচং ওইনবা হায়বসি মমাংগী পুৱারীদা বৃটনশিং অমসুং সোভিয়েটশিংবু শৌগৎখিবা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা মায়থোংশিং অদুগী থবক্কা মান্নে” হায়না মহাক্না মখা তাখি। মহাক্না য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদসু য়ু এসকী মায়োক্তা লাস্থেংনবদা শরুক য়াননবা আপিল তৌবগা লোয়নননা হায়খি মদুদি লমদম অসিদা অমেরিকানশিংনা লৈশিনবনা ঐখোয় মশেলগী ইন্টরেষ্টতা শোকহনগনি অমসুং লমদম অপুম্বসিগী তং-তাবগী ফীভম থুগাইগনি।

“নখোয়না অফঘানশিংগী খো-ঞ্জেলগা লোয়নননা পুন্দুনা লৈবাক অসিবু পায়শিন্দুনা লৈরিবসি লেপহনগদবনি নৎত্রগা য়ামদ্রবদা অমেরিকানশিংবু লমদম অসিদা মখা শাংথনা লৈহনগদবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি।

গ্রুপ অদুগী সুপ্রিম লীদর মুলা ওমার পাকিষ্টানদা শিখিবা চহী অনী ফারক্লে হায়না ফোঙদোরকখিবদগী হৌখিবা চহীগী জুলাইদা মনসৌরবু হৌনবী মতুং ইন্না টালিবানগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

অফঘান ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানবু টালিবান লালহৌবশিংদা চঙজফম পী অমসুং মখোয়বু য়োকখৎলি হায়না তৎতনা মরাল শীখি। গ্রুপ অসিনা লৈবাক অদুদা লোকল অমসুং মীরৈবাক্কী ট্রুপশিংগী মায়োক্তা চহী ১০ হেন্না লাল শোক্লদুনা লাকখিবনি।

অখুন্দজাদাবু মখোয়গী অনৌবা লীদর ওইনা লাউথোকখিবা মতুংদা টালিবাননা এটেকশিং হেনগৎলকখি। মতম অমদা মীমাংদা ইথোক থোক্তবা লাইনিং লাইশোলগী ফিগর অমা ওইরম্বা, মিলিটরি কম্মান্দর অমা ওইবদগী স্পিরিচুয়েল লীদর অমা ওইবনা হেল্লি হায়না লৌনরম্বা মীওই অদুনা মনসৌরগী মতৌ তমদুনা পিছ তোক্কী ৱাফম য়ারোই অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা এটেক হেনগৎলক্কনি হায়না ওবজার্ভরশিংনা থাজরি।

এনালিষ্ট অহমদ সায়ীদীনা এ এফ পিদা হায়খি, মহাক্কী ৱারোল অদু টালিবানগী মমাংগী লীদরশিংগীগা চাংদম্নবদা য়াম্না থোৎ নৌই তৌইগুম্বসুং মদুমক্না গ্রুপ অদুনা পীছ তোকতা য়াওনিংবগী অপাম্বা উৎপদি নৎতে।

“অনৌবা টালিবান লীদর অখুন্দজাদাগী অনৌবা পাউজেল অসিদা পীছ তোক্কী ৱাফম নৎত্রগা লৈবাক অদুগী লালগী মরাইবক্কী মরমদা করিমত্তা য়াওদে। মখোয়গী পোলিসি হান্নগা মান্নে হায়না ঐহাক্না খল্লি” হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

“মহাক্না (অনৌবা লীদরনা) অমুক হন্না লালদা পূক্নিং চিংশিন্দুনা ঙাঙলি; লাল অসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা ফোঙদোকপগা লোয়নননা য়ু এসপুসু মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না শীংনরি” হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা থাদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা অমেরিকান মিলিটরিদা নৌনা মপাঙ্গল কনখৎ-লক্লবা টালিবানবু অফঘান মীচংশিংগা খুৎশম্নদুনা হেন্না হকথেংননা দিল তৌনবা আপিল তৌখি।

অনৌবা রুলশিংগী মখাদা য়ু এস ট্রুপশিংনা লোকেল ফাইটরশিংগা হেন্না নক্না থবক তৌমিন্নদুনা টালিবানদা এটেক তৌবা য়াই। কুমজা ২০১৫ হৌরকপদগী মখোয়না অফঘানিষ্টানদা এদভাইজরি রোল অমা লৌদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা মখোয়না টালিবানদা খুৎ থাবা তারবসু মশা ঙাকথোকচনবখক্কী ওইনা নৎত্রগা অফঘান লান্মীশিংবু ঙাকথোক্লবগী ওইনা য়াহলম্মী।

অখুন্দজাদাগী পাউজেল অদু থাদোক্কদবা পুং খরখক্কী মমাংদা মখোঙনা চৎপা উখিবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা জালালাবাদতা লোকেল কম্মান্দর অমগী ভেহিকলদা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা মীওই অনী শিখি অমসুং অতৈ ১৭ শোকখি।





HL-B/3146/18/06-17/07

# EMPLOYMENT NEWS

## BSNL RECRUITMENT 2016

BHARAT SANCHAR NIGAM LIMITED (A Government of India Enterprise) invites application for the recruitment of 2700 Junior Engineer vacancies in all over india . The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply online from 10-07-2016 to 10-08-2016

Tags : Junior Engineer vacancies

Jobs Opportunity in Bharat Sanchar Nigam Limited (BSNL) Recruitment 2016 Apply Online for 2700 Junior Engineer vacancies at bsnl.co.in

Job Details :

Post Name : Junior Engineer
No. of Vacancy : 2700 Posts
Pay Scale : Rs. 25,420/-

1. Andaman & Nicobar : 12 Posts
2. Andhra Pradesh : 76 Posts
3. Assam : 116 Posts
4. Bihar : 34 Posts
5. Chennai Telephones : 80 Posts
6. Chhattisgarh : 17 Posts
7. Gujarat : 206 Posts
8. Haryana : 160 Posts
9. Himachal Pradesh : 73 Posts
10. Jammu & Kashmir : 79 Posts
11. Jharkhand : 19 Posts
12. Karnataka : 120 Posts
13. Kerala : 100 Posts
14. Kolkata Telephones : 80 Posts
15. Madhya Pradesh : 78 Posts
16. Maharashtra : 224 Posts
17. North East – I : 132 Posts
18. North East – II : 34 Posts
19. NTR : 15 Posts
20. Odisha : 43 Posts
21. Punjab : 400 Posts
22. Rajasthan : 100 Posts
23. Tamil Nadu : 198 Posts
24. Uttar Pradesh (East) : 80 Posts
25. Uttar Pradesh (West) : 80 Posts
26. Uttaranchal : 29 Posts
27. West Bengal : 115 Posts

Eligibility Criteria :

Educational Qualification : three years Engineering diploma/ B.Tech/ B.E in Telecommunications/ Electronic/ Electrical/ Radio/ Computer/ Instrumentation/ Information Technology from a Central Govt/ State Govt. recognized Institution.

Nationality : Indian

Age Limit : minimum 18 & maximum 30 years . Age relaxation applicable

Selection Process: Online Test.

Application Fee: Candidates should pay Rs. 1000/- for OC/ OBC candidates (Rs.500/- for SC/ ST candidates) through online mode i.e Internet Banking, Credit Card, Debit Card only

Examination Pattern :

The written examination would multiple choice objective type questions of 200 marks. The examination would be of pattern as follows:

| *Paper* | *Subjects* | *Number of Questions* | *Marks* |
|---|---|---|---|
| Part-I | General Ability Test | 20 | 20 |
| Part-II | Basic Engineering | 90 | 90 |
| Part-III | Specialization | 90 | 90 |
| **Total** | | **200** | **200** |

How to Apply: Eligible candidates may apply online through the website www.externalexam.bsnl.co.in from 10-07-2016 to 10-08-2016

Important Dates to Remember :

Last Date for online Application : 10 August 2016
Date of Online Written Test: 25 September 2016

Important Dates to Remember :

Detail Advertisement Link: http://www.bsnl.in/opencms/bsnl/BSNL/about_us/hrd/jobs.html

## SAIL RECRUITMENT 2016

STEEL AUTHORITY OF INDIA LIMITED ( A Govt. of India Enterprise ) IISCO STEEL PLANT invites application for the recruitment of 226 Operator-cum-Technician (Trainee), Attendant-cum-Technician (Trainee) Vacancies . The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply Online From 01/07/2016 to 05/08/2016

Tags : Operator-cum-Technician (Trainee), Attendant-cum-Technician (Trainee)

Jobs Opportunity in SAIL Recruitment 2016 Apply online For 226 Trainee Vacancies at www.sailcareers.com

Job Details :

01. Operator-cum-Technician (Trainee): 134
02. Attendant-cum-Technician (Trainee): 80
03. Medical Professionals: 12

Eligibility Criteria :

Educational Qualification :

For Operator-cum-Technician (Trainee) : Matriculation and 3 years full time Diploma in Engineering in Mechanical/Metallurgy/ Electrical/Instrumentation/Chemical disciplines from a Govt. recognized Institute with minimum 50% marks (40% for SC/ST/ PWD candidates).

For Attendant-cumTechnician(Trainee) : Matriculation and ITI (full time) in Fitter/ Electrician trades from Govt. Recognised Institute

Specialists – MBBS with MD/MS or with 3 years experience
Medical Officer – MBBS with MCI with 1 years experience
Dental Surgeon – BDS with Registered in DCI and 1 year Medical College certificates.

Nationality : Indian

Age Limit : as per Sail Rules

Selection Process: written test with interview based on 80:20

How to Apply: Eligible and interested candidates would be required to apply online through SAIL's website: www.sail.co.in (Career with SAIL) From 01/07/2016 to 05/08/2016

Important Dates to Remember :

Starting date for submitting applications through website : 01/07/2016

Closing date for submitting applications through website : 05/08/2016

Tentative Date of Written Test : Will be communicated through Admit Card

More Details For job information click below link :

Detail Advertisement Link :http://sailcareers.com/pdf/IISCO.pdf

Apply Online Link : http://sailcareers.com/IISCO.php

## HIGH COURT MEGHALAYA RECRUITMENT 2016

High Court Meghalaya invites application for the post of 04 Law Clerks for a period of 1 Year under terms and conditions mentioned in Scheme for engaging Law Clerks-cum-Legal Research Assistants in the High Court of Meghalaya. Apply before 22 July 2016.

Advt. No. : HCM.II/85/2016/2313

Job Details :

Post Name : Law Clerks
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per Month)

Eligibility Criteria for High Court Meghalaya Recruitment :

Educational Qualification : Candidates must be a fresh law graduate having a Bachelor's Degree in Law (including Integrated Degree Course in Law) from any University/ College/ Institution established by law in India and recognized by the Bar Council of India.

Nationality : Indian

Age Limit : 33 years as on 01.01.2016

Job Location : Meghalaya

Application Fee : Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft in favour of Registrar General High Court Of Meghalaya Shillong Payable at Shillong.

How to Apply High Court Meghalaya Vacancy : Interested Candidates may apply in application form along with Relevent document & Demand draft send to The Registrar General, High Court of Meghalaya at Shillong, M.G Road, Pin-973001 on or before 22.07.2016.

Important Dates to Remember :

Last Date for Submission of Application Form : 22.07.2016

Detail Advertisement & Application form Link : http://meghalayahighcourt.nic.in/pdf/R12.pdf

Rules & Scheme : http://meghalayahighcourt.nic.in/20.pdf